**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-01-2026)**

**ষ্টেটহুদ (এল)ঃ** মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী নীংশিং থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী ওইবা থৌরম ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা কন্টিজেন্টশিংনা মাচ পাস চৎকনি অমসুং রাজ্যপালনা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মনাশিংসু লান্থোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা মীয়ামদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-১৯৭২ গী জানুৱারী ২১ দা মনিপুর ভারতকী মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখি। মনিপুর অসি ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি অমদি নাৎ-চৎনবী কয়ানা থল্লবা লমদম অমনি অমসুং মফম অসিদা লৈরিবা মীয়ামনা শান্ন-খোৎনবা, কলা সংস্কৃত্তি অমসুং মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদা জাতি অসিগী মিংচৎ পুরক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা চাউখৎপা, তংদু-লৈতাবা অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু শাগৎমীন্ননবা ফিরেপ অদু হেন্না চেৎশিলহল্লসি।

মনিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা, শান্তি, অমত্তা ওইবগী লীপুন অদু শাগৎমীন্নসি, হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমসুং মঙাল লৈরবা মনিপুর অমা শেমবা হোৎনমীন্নসি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয়ক্মার ভালানা ইম্ফালগী কংলা

নোংপোক তোর্বানদা জাতিগী নীংশিং ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-সেনাপতিগা খুৎশমদুনা সেক্সচুয়েল হরাসমেন্ট ৱিমেন এট ৱাকপ্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট-২০১৩ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা সেনাপতিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলিনা কম্মিসননা নুপীশিংবু মখোয় মখোয়গী থবক শুফমদা অশোয় অঙাম থোকহন্দবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা নুপীশিংবু য়াইফননবা লৌখৎলিবা খোঙথাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। নুপীশিংনা মখোয়না খুদোংথিবা তারকপা মতমদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবশিংগী মতেং লৌবিনবসু মহাকা আপিল তৌখি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিননিংফম মোনশাংনা হায়-নুপীশিংগী হকশিং মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা কম্মিসননা ঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মহাকা হায়-নুপীশিংগা মরী লৈনবা কমপ্লেনশিং সি-বোক্স পোরটেলদা ৱাকৎলকপা য়াগনি নৎত্রগা হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ দা কোল তৌরকপসু য়াগনি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী মীহুৎশিং অমদি আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিং অমদি অতৈ ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**হেলথ (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা নেসনেল ন্যু বোর্ন ৱিক অমসুং সান্স কেম্পেইন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সি.ঐচ.সি. ৱাঙ্গোইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী সি.এম.ও. ডা: এম.জি. দয়াবতি, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসার-ডা: ৱাই. কেশ্বরজিৎ য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সেফতি (এল)ঃ** নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী শরুক অমা ওইনা রোড সেফতি এৱারনেস রেল্লি অমা ঙসি উখ্রুল জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েটগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লমথাখি।

দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস-উখ্রুলনা শিনবা রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংলদুনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার-নিংগানুঙ হাসুনানা হায়-মীয়ামদা অশোয় অঙাম য়াওদনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা সরকারগী এজেন্সিশিং, সিভিল সোসাইতি অমসুং মেদিয়ানা পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং অমসুং কুইজ কম্পিটিসনশিংনচিংবা পাঙথোক্কনি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসনা পুন্না শিনদনা ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা জিলা অসিদা রোড সেফতিগী মতাংদা মীয়ামবু খঙহন্নবগী মতাংদা পায়খৎকদবা থৌরম কয়া লাউথোকখি। মসিগী মনুংদা বাইক থৌরিবশিংদা হেলমেটশিং পীবা, ত্রাফিক্কী নিয়মশিং য়াওবা পেমপ্লেট অমদি স্তিক্করশিং য়েন্থোকপনচিংবা য়াওরি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা বাইক রেল্লি অমসু থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কনি।

**সেফতি (এল)ঃ** রোড সেফতি মন্থকী শরুক অমা ওইনা কম্পেসেসন টু ভিক্তমস ওফ হিট এন্দ রন মোটোর এক্সিদেন্ট স্কিম ২০২২ গী মতাংদা মীয়ামবু

খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তমেংলোং পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস-তমেংলোংনা পুন্না শিনবনি।

**কোকোমি(এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না হায়রি-লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহল্লু, নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা মীয়াম চৎপা য়াহল্লু হায়বা দাবী তৌদুনা থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী মীয়ামনা শরুক য়াবীয়ু।

লমফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কমিতি অসিগী কনভেন্নর-ৱাই.কে. ধিরেননা হায়-মীয়ামগী খোঙচৎ অসি নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১ দগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ গ্রাউন্দদগী হৌরগা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা লম্বীশিংদা চৎলবা মতুংদা খুম্মন লম্পাক্তা লোয়শিনগনি। মফম অসিদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম কনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌগনি। খোঙচৎ অসি মায় পাকবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা লৈবা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা মহাকা আপিল তৌরি।

**অমুকো(এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট-সঞ্জয় সোরোকখাইবমনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চত্থরক্লিবা টেরোরিজমগী থবক থৌরমশিং কেন্দ্র সরকারনা লেপহন্নবা খুদক্তা থবক পায়খৎকদবনি।

ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী লিতানপোকপীগী মীয়ামদা তেংবাং পীবগী থৌরম অমগা মরী লৈননা লুপ অসিগী লুচিংবা শ্রী সঞ্জয়না হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা শেন্মীৎলোন,

লৈবাকলোননচিংবা হীরম কয়াদা চাউনা চৈথেং পীরি। মসি কোকহন্ননবা কেন্দ্র সরকারনা থবক পায়খৎননবা হোৎনগদবনি। শিক্ষা, হকশেল, লৌউ-শিংউ, উদ্যোগনচিংবা হীরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা কেন্দ্র সরকারনা স্পিসিএল পেকেজ অমা পীবগী তঙাইফদবা লৈ। ইরাং অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামনা বেঙ্কশিংদগী লৌখিবা লোনগী শেনফমসু কোকহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

**পান্থোইবী (এল)ঃ** পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পানি লিমিটেদকী চেয়ারমেন কম-মেনেজিং দাইরেক্তর-থোকচোম হেমোনা হায়রি-পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পানি লিমিটেদ অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অহানবা অমসং অমত্তা ঙায়রবা হাউজিং ফাইনান্স কম্পানি অমনি।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী হেমোনা হায়-পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পানি লিমিটেদ অসি মনিপুরগী ৱাংমদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা ব্রান্সশিং হাংদোক্কুনা মসিগী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবা হৌরে। মসিদা রাজ্য অসিগী নহা ওইরিবা মীওই কয়া থবক পীরি অমসুং মখা তানসু পীননবা হোৎনরি।

কেন্দ্র সরকারগী প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা-আই.এস.এস, অবার্ন টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা সবসিদি য়াওরবা হোম লোনশিং পীবগী থবকসু চথ্খরি। ফাইনান্স কম্পানি অসিনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামনা মতেং পাংবীদুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**নৈলিত (এল)ঃ** নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকে ালোজি (নৈলিট)কী অকাম্পাৎ কেম্পসতা নোংমগী ওইবা জোব ফ্যের অমা পাঙথোকখ্রে।

জোব ফ্যের অসিদা আই.টি কম্পশিং, মোতোর দিলর্স, ইদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন, হোস্পিতাল অমসুং হোতেলশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কম্পনিশিংনা শরুক য়াখি। ইন্সটিট্যুট অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পাঙথোক্লিবা জোব ফ্যের অসিনা রাজ্য অসিগী নহাশিংদা মখোয় মখোয়গা চান্নবা থবকশিং ফংহনবদা অচৌবা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি।

**ইনর্ফোসমেন্টঃ** ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা শাজিন্নবা ইনপুট টেক্স ক্রেদিত স্কামগা মরী লৈননা মনিপুর, ঝরখন্দ অমসুং কোলকাতাগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। লুপা কোতি ৬৫৮ লোমগী শাশিন্নবা টেক্স ক্রেদিত স্কামগা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি।

ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী পাউ মতুং ইন্না-গুদস নৎত্রগা সাভির্সেসকী চপ চাবা সপ্লাই য়াওদনা শাশিন্নবা ইনভোইসকী খুথাংদা ইনপুট টেক্স ক্রেদিট শারম্বগীদমক থিবা হুম্বগী থবক অদু চথবনি। এজেন্সি অসিনা হায়-অসিগুম্বা শাশিন্নবা ৱাকৎ অসিনা সরকারগী শেনগাউদগী শেল লৌথোকপদা নত্তনা মণি লোন্দরিং অমসুং সেল কম্পানি নেটৱার্ককা মরী লৈনহল্লি। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

**বিজেপিঃ** ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি.জে.পি) গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিনবু দল অসিগী অনৌবা নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পি. হেদক্বাটরসতা দলগী নেসনেল রিটর্নিং ওফিসার-ডা: কে. লক্সমননা ঙসি শ্রী নবিনবু দলগী প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

শ্রী নবিনবু বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-অমিত সাহ, রাজনাথ সিংহ, জে.পি. নদ্দা অমদি নিতিন গদকারিনা তরামা ওকখি। নৌনা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট খল্লবা নিতিন নবিননা

দলগী অৱাংবা পোষ্ট অমা ফংবা ঙস্বদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী নবিন অসি দলগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী নহা ওইবা নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা ফম অসি পায়বা বিহারগী বি.জে.পি. লুচিংবা অহানবনি।

শ্রী নিতিন নবিননা বি.জে.পিগী নৌনা নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইরকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

**হেলথঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি-অনুপ্রিয়া পতেলনা হায়রি-ভারতনা চাউখৎপগী লম্বীদা হকশেল অসিবু খ্বাইদগী মমাংদা থমদুনা লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা ভারত অসি শিংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবগী লম্বীরোমদা চংশিল্লি।

পুদুচরিদা পাঙথোকপা জৱাহরলাল ইন্সটিট্যুট ওফ পোষ্ট গ্রেজ্য়েট মেদিকেল এদুকেসন এন্দ রিছার্সকী ১৪ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-মোদি সরকারনা য়ুনিভরসিএল হেলথ কিয়ারগী পান্দম ফংহন্নবা থবক কয়া পায়ৎলি। নেসনেল হেলথ পোলিসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুথোক্লদুনা অনুপ্রিয়া পতেলনা হায়-পোলিসি অসিনা অনাবা মীওইশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা নাদ্রিঙৈদা চেকশিনবা অমদি তোঙান তোঙানবা হকশেলগী কান্নবশিং ফংহনবা হায়বসিনি।

**ফিসরিঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসরিসনা শিন্দুনা ভারতকী মপাং লৈবাক ৮৩ গী এম্বেসেদর অমসুং হায় কম্মিস্নারশিংগী ওইবা রাউন্দ টেবল কনফরেন্স অমা হয়েং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকগনি। মীফম অসিদা কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হসবেন্দরি অমসুং দাইরিগী মন্ত্রি-রাজিব রঞ্জন সিংহনা সভাপতি ওইগনি।

ফিসরিজ মন্ত্রালয়না হায়-এসিয়া, আফ্রিকা, য়ুরোপ, নোর্থ আমেরিকা, ওসিনিয়া অমদি লেটিন আমেরিকা অমসুং করিবিয়ান লৈবাকশিংগী এম্বেসেদর

অমসুং হায় কম্মিস্নারশিংনা মীফম অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসি লল্লোন ইতিক, সমুদ্রদা ফংবা চিঞ্জাকশিং লৈবাকশিংগী মরক্তা থাদোক থাজিন তৌবা য়াওনা মালেমগী ওইবা লল্লোন ইতিক্কী লমশিংদা হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**মহারাস্ত্রঃ** মহারাস্ত্রগী ত্রাইবেল রিজন ওইরিবা-মেনভাটতা হৌজিক থেংনরিবা চহি নৌরিবা অঙাং অমসুং মীরোনবী শিবগী চাং কা হেন্না ৱাংবা অসিবু মহারাস্ত্র সরকারনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা থিংনবা হোৎনদে হায়দুনা বোম্বে হায় কোর্টনা মহারাস্ত্র সরকারদা অকনবা ৱাফম থমখ্রে।

কোর্টনা রাজ্য সরকারদা রিজন অদুদা হকশেলগী লমদা শেমগৎ শাগৎলিবা অমদি হকশেলগী ৱার্করশিং থমদুনা থেংনরিবা সমস্যা অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনবা হোৎনরিবা খুজিন থৌরাংশিংগী মতাংদা চয়োল মরিগী মনুংদা রিপোর্ট পীরকবা খঙহনখ্রে। কোর্ট অসিগী জষ্টিস-রবিন্দ্র ঘুগে অমসুং অভে মন্ত্রিনা পি.আই.এল. অমগা মরী লৈননা ৱারেপ অসি তাখিবনি।

**ক্রিকেটঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমস্ং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- পি.সি.সি ময়াইকোইবীনা অক্সদো খাঙবোকপু রন-৭২ দা থোইখ্রে।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোং অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা মেটচতা-এম.পি.এস.সি মনিপুর সেন্ত্রেল জেলদা রুল মৈত্রম ৱিকেট অমদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ খুরাই ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-দিসত্রোয়র এলভেননা কার এলভেন-পোরোম্পাৎপু ৱিকেট ৮ দা

থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা নেরোকা এফসিবু পাঞ্জল ২-০ দা, উৎলৌ এফ.সিনা ইলিট এফ.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা অদুগা পথাপ এফ.সিনা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** চান্দেল জিলাগী ফালি ভিলেজতা চত্থরিবা ১১ শুবা জিংতুন লোংফাং স্পোর্টস, লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল মেটচ অমদা-সোমদালনা ফালি ভিলেজপু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-মোইচোন ভিলেজনা তুইনেম ভিলেজপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী থৌ পুবা খন্ননবা মীখল হয়েং লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

**খেল্লোঃ** তরুকশুবা খেল্লো ইন্দিয়া ৱিন্টর গেমস, লদাগকী লেহ সহরদা হৌখ্রে।

গেমস অদু উপ রাজ্যপাল-কাৱিন্দর গুপ্তনা হৌদোকখি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২১ দগী লাকপা শান্নরোইশিংনা গেমস অসিদা আইজ স্পোর্টিং ইভেন্টস-হোকি অমসুং স্কেটিংগী মশান্নশিংদা চাংদমগনি। হন্দক চহিদগী হৌনা গেমস অসিদা ওলেম্পিককী মশান্নবা অমা ওইরিবা ফিগর স্তেতিং অসি হাপচিনখ্রে। মশান্নশিং অসি এন.দি.এস. আইজ হোকি ষ্টেদিয়ম অমসুং আইজ হোকি রিংদা পান্নগনি।